Sunday, June 19, 2022, Imphal

HUEIYEN LANPAO

*"চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবদা নুংঙাইতে।"*
***- এলাংবম নীলকান্ত (অচাইবা লৈ)***

শৈরেং

## নোংজু থা

**—এল চিত্র**

নোংজু থাদি কপচেৎপী
পিনৌবী নুজা কনানা
নুংশি কায়না কপ্পগুম
নাইতোম পোকপা মচানা
অমংয়াইথোঙ কুম্বদা
থম্মোয় কায়বা পলেম্না
ওন্না থোইনা ওন্দুনা
তেংথা নাওই কপ্পগুম
হৈথরি নোংলিক অকনবা
অখাক অরাও খোঞ্জেলদা
মালং নুংশিৎ শাহুমদা
উজাও উরেল কয়াসু
হাইনা হুম্না খাংনরি
ৰাকচীংগী উলেন লোইখিবা
কংল উপাল ৰাপালনা
অনৌবা য়েন্নীং থা লাকপদা
শারবা কালেন মৈশাদা
কুমগী নোংনা লাকপদি
খৌগংলবা লৌবুক্না
হরাউ তয়াম ওকচরে।

## কুমগী নোংজু

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লেপ্তুনা চুরি
ঝম ঝম
কুমগী নোং
তারি খোঞ্জেলসু
মফম খুদিংদা।
উচেক ৰায়া পূম্বা
তুম্পক তুম্পক
পামেল ফৈরা-থক্তা
তোংলদুনা তূমিন তূমিন
য়েংলি,
য়াংগংলুরবা তুরেলসু
মবুক থল্লদুনা
লোক্তাক ঈপাক তম্না
চেন্থরি।
তোৰ্ব্বান্দগী উপাল-ৰাপালশিংগী
মমি ইরোলনুংদা তাখ্রিবশিংদো
ঈথক্না নোম নোম
জগোয় শারি,
নীংথিজরবা শক্লোনসে
কুমগী নোংজুনা পুরক্লি।

## লম্বী অমত্তং ফংলবদি

**—এম নিলকুমারি**

লম্বী খজিক্তা ফাৎপীয়ু
লম্বী খজিক্তা চৎচগে।
লম্বী মচা অসিবু লান্থোকচবা ঙমজরবদি
ঐদি ওইরনি লাখ লাখকী মপু; শেনয়ামগী
ঐনা অমুক পুগনি ফংগনি খন্না, নোক্না নোক্না
খুনেক অমা থিগনি
মঙোন্দসু পীথোক্কনি।
ঐনা ফংলকপা খরদু
মঙ্গোল নিবা লাকপনি
লম্বী খজিক্তা ফাৎপীয়ু
ওইমিন্নসি ঐখোয় পূন্বা
শেঞ্জাও পায়বা শেনয়াম ফংবা
লম্বী খজিক্তা ফাৎপীয়ু
অমুক অনীরক্তং মায় পাকখ্রবদি
তূমজরগে তূমিন্না।
য়ৌজখিসনু য়ু-গঞ্জা-নম্বর ফোর-হিরোইন পাওদর মকুপ
মীয়ামগী খোঙথাংনি মীয়ামগী লম্বীনি।
পামদবা কনাবু লৈবগে শেন্দোল লৈরিবা পুন্সিনা
চাংয়েং অমত্তং পান্বগীনি।
সনা লৈবাকসে চাওরবা লম্বী চৎফমনি
নিশাগী লম্বীনি লম্বী খজিক্তা চৎচগে
মাঙবা মাঙদবা খল্লুরনু
মশা মশাগীনি খন্নরসি
লম্বী খজিক্তং চৎচগেঃ

## ইমাগী শক্তম

**—অঙোম ইবোমচা**

য়েন্নিং থানা লাক্লবদা
শংবান্নরবা চীংশাং পরেং পরেংগী
হাইথরকপা চীংখোঙগী চীংয়াদা
তাংজলিন্না থেক্ল-খোয়না চেনবগুম,
লৈরিবা সনা সরক য়াংবী
কয়া কয়ানা লৈতেংবী
অউবগী পূক্লিং শুমহৎপি
পেন্নাইদ্রবী শক্তমনি ইমাগী।
অশংবা পামেলশিংগী উনারক্তা
চীংথ্রাও কৌবী শিঙেল লৈরাংনা
হাইনা হুমনা লৈশাৎ তম,
উচান কৌবী পামেলনা
নুজাগী শল্লাংবু ঙমজবী
মনানা জুম জুম লাউনা থৌগনবী
পেন্নাইদ্রবী শক্তমনি ইমাগী।
তাওজিং হৈরাং কিহোমগী
শংবান্নরবা মপান, পরেং পরেংনা
লোইবী চীংমায়গী নাপোমদা
চিক্লা ঈংনা থৌগঞ্জবী,
পাক চাওরবা লৌবুক লক্ষ্মাংদা
লৌরিনা পামবোম ওইরিবী
য়েংবদা পূক্লিং শুমহৎপী
পেন্নাইদ্রবী শক্তমনি ইমাগী।
লোইনাইদ্রবা শৈথারোলনি ইমাগী
লোক্তাক পাৎকী ঈরোলনুংদা
লেমলৈ ঙানা মনিংতম্না শান্নজবা,
ৰাইথৌ, পুমলেনগী পাৎয়াইদা
থরো থম্বাল লৈরাংনা
মনীং তম্না লৈশাৎ তমজবা
ঙানু থঙ্গোং চেক্লাশিংনা
মনীংতম্না শান্নজবী
পেন্নাইদ্রবী শক্তমনি ইমাগী।
মায়কৈ মরি শংদাই নিপানগী
শুক্লা উমং ৰাংল চীংদোনবু
পনঙাক্লি থাংজিং, মার্জিং কৌব্রু লাইয়াম্না
চিক্লা ঈংনা ইমাবু
পেন্নাইদ্রবী শক্তমনি ইমাগী।

## অপূনবগী শক্তম

**—ডা. এ কে ইবোহল**

হে ইমা মণিপুর কৌবী
পোক্নফম লমদম পান্মুবী
চীংলোন মাপলনা কোয়শিল্লিবী
খৈনা য়াংকোক শক্লোন লৌরিবী
চীংদা য়েংঙুই নুংওল্লি
তমদা য়েংঙুই শুক্লাৎলি;
খুরক্কী ঈনা লাই শারকপনা
কৌব্রু চীংশাং মচু ওল্লে
থাংজিং চীংসু তনিক তনিক্লে
লোক্তাক্কী লাইজসু থুমহী চেল্লক্লে
করিগী তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবা
হায়যু মৈতৈ নোংশাবা পাঙ্গনবা।
অদুঙৈ জুন ১৮, ২০০১ ইং
থৰায়না পোন্থা কৎখিবা
অথৌবা অথৌবী ১৮গী য়াইবীনা
য়েংথরক্লি মিৎকুপ নাহুম শিংনা
নোংদোল কোইরেল কোৰ্ব্বাকথক্তগী
মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়াদে হায়দুনা
অরেম্বদা খক তাহনগুমসি মখোয়গী ঈখেং।

## পূক্লিংগী ৰাকৎ

**—পি এস মৈতৈ**

ৰাখলসিনদি খল্লি, চিনবাল থোক্লা হংনীংলি,
থম্মোয়সিদসু ফাওরি, মপাল থোক্লা ফোঙনীংলি
হায়দোক্লুরগা অমুক, তথী-তথী চৈবীরক্কদরা?
ফোঙদোক্লুরগা অমুক, ইকায় খঙদবগুম লৌবীখিগদ্রা?
ঙরাং হায়গে হায়হৌদে, ঙসি ফোঙদোক্কেসু ফোঙঙমদ্রে,
হয়েংসু অসুম হৌখিনি, থম্মোয়দা ওমচাক্লবতনি হেঙ্গৎলক্কদবা।
ওইররোইদবা ঐগী মঙলান, থুংলরোইদৌবা ঐগী আশা,
থম্মোয়দা ওমচাক্লদুনা লৈখ্রসনু, তাঙ্গৈই তানা চাকখ্রসনু।

## শক্লোন

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

শক্লোন অমখক পুদুনা চৎলি
থিরি অশেংবা শক্লোন,
লাইজ ঈশিংগী মচু
ওল্লি লিক্লাইগী পাত্রদা হাপ্পদা,
অশংবা, অঙৌবা, অমুবা, অঙাংবা
মচু ওল্লি লাইজ-ঈশিংগী মচু
পিবুকনুংগী সিয়োমনুংদা চাওরক্লবা
তাইবঙগী অমমম অঙান খঙলবা,
কোকথক্তা থাংগৎপীরি পোৎলুম
কাফৈ কাফৈ থাংলিবা খোঙথাং
তুরোই ঙাইরোই চৎলিবা
উরগা নোক্লি হা! হা!
মীনুংশি য়াওদ্রবা থম্মোয়,
তেল্লবা পুন্সি খোঙচৎসিদা
করিগী পিবিরি চৈনা?
লোইবা নাইবা পুন্সি খোঙচৎসিদা
অচান মীরাই নাইবা শক্লোন্না
ওইহল্লি পুন্সিবু লমগী চেক্লা
চরোই তেতু উমংনা ময়ূম শঙ্গাই ওই
মনিংতম্না কোরৌ মশেক লাকপদা
ইনুং শোরানা তৈবদা খোংলি মনিংতম্না,
নুংশিবা লৈনম্না চেল্লবা মফমদুদা
জিব কয়ানা নুংঙাইনা পোত্থাজরি।
নুংশি হৈতবা তাইবঙগী নুংশিবা তম্মু
অচান মীরাই নাইবগী চৎনবী
লাপ্না পুবিখ্রো থাপ্লবা লমদুদা
ফজবা নুংশিবগী শক্লোন
মীপূম খুদিংদা য়েনবীরম্মু
হে তাইবঙ মপু শেন্বী হৈবা।

## পিরাংগী পুন্সি

**—কর্নেল ঐচ সরত**

পোক্লম্বগী নুংঙাইয়ু তল্লমদ্রবা মপোকনি
লায়রবগী মৈরিনা চাকখিবদগী মীমান্নবা ঙল্লকখিদে
মপূং ফাখিদে হিরম অমতদা মীওইবগী চৎনবীসি
থীখ্রেদা লাইবকসে, করম্বা মখলগী মপোকনো?
লান্থোরকখি ৰাখল খল্লগা খোঙথাং খুদিংদু
নৈখাইবিখি লৈখা তানা মুৎখিনবা মপোকসি
থম্মোয়সি ঈ তানা তূমিন্না কপ্পগা খাংলকখি
চানবীখিদে তাইবঙ পানবা মপু ফাওবনা।
হোংলক্তে চেৎলবা থম্মোয়গী লাইনীং পরৈদি
ধর্ম্ম কায়বা থবক্তি পুন্সিসিদা কনাদসু তৌরক্তে,
লেঙদনা লৈরি ঐগী ঈশ্বরদি থম্মোয়দা মতম পূম্বদা
ৰাখল খনবা জীব পূম্নমক্কী
কল্লক্লিংঙাই ওইবা মপোক ওইসি।
খুরুমজরি তাইবঙ পানবদা ফত্তবশিংদগী লাপ্না হিংহনবীয়ু
পিরাংতনা লুপখ্রবা পুন্সিসি কনাদসু তাইনজদে
হোৎনজৈ ঙম্বা মখৈ হিংলম্বগী খোঙ্গুল অমতংদি তাহৌনবা
মশীং খঙদনা শিবগা চপ মান্নখ্রবা মপোকসিবু সংসারসিদা
কয়া য়াম্না লৈরমগদগে?

## নঙ য়াওদনা

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

নঙ য়াওদনা ঙমদে
লৈতানা হিংবা পুন্সিদা।
চাওখ্রেদকো নঙগী নগুনসে।
নঙ য়াওদবা পুন্সি
শীংথানবীদে কনানা
ফনা লৈরবসু মতিক মগুন
ফনা হৈরবসু মহৈ মশীন
ইকায়খুম্নবীদে কনানসু।
লৈত্রবা নঙবু
লৈতে অশেংবা মরুপসু
লৈতে মরী মতাসু
থৌশানদে মচিন মনাওফাও
অমগা অমগা।
লৈত্রবা নঙবু
মিকুপ্তুদ ফাও পুন্সিগী অরোইবা
ঙমদে লৈতানা থাদোকপা তাইবঙপান।

**মতম মতমগী ৰাখল**

# মণিপুরদা মীতমশিংগী মরুওইবা লৈরকপা





মালেমগী মমিং লৈরবা লৈবাকশিংগী চাওখৎলকপা, মখোয়গী সহর শেমগৎলকপদা অশাবা শক্তমশিং, মুর্ত্তিশিং থম্বা অসি শোয়দনা তৌনৈ। মসিগীদমক শেল কয়া থাদে, মমিং লৈরবা আর্কিটেকচর, ডিজাইন্নর কয়া, আর্টিষ্ট কয়ানা লম অসিদা পূক্লিং চিংশিল্লি। পার্ক অমা গার্ডেন অমা, করিগুম্বা কমপ্লেক্স অমা শেমগৎপদা মুর্ত্তি হান্না খিল্লগা অকোয়বদা উ-ৰা থাদুনা হান্না ফজনবা শেমগৎপা কয়া চৎনরকই। টুরিষ্ট অমনা লাকপদা মুর্ত্তিশিং অদু উরগা লৈপাক অদুগী মশক নাইখিবশিং, মখোয়না লৌখিবা থৌদাং অদু মিকুপ অদুদা খঙহনবা ঙম্মী। সোভিয়েটকী লৈপাক্তা অশাবা শক্তমশিং মুর্ত্তি অসি কয়ামুক মরু ওইনা লৌনবগে হায়ববু, স্কুলগী মহৈরোইশিংনা পাল্লি নাইনা লম্বীদা লমজাওদা, পার্কতা, লৈকোন্দা লৈরিবা শক্তমশিংবু ঙাক শেন্দুনা লৈ। গার্দ তৌরিবশিংনা ফুল ইউনিফোর্মদা শুকলেঙ লেঙদনা লেপ্লগা, মথৌ তৌই। অশাবা মুর্ত্তি অমগীদমক স্কুলগী মহৈরোইশিং ফাওবা নোংমগী মনুংদা পুং অহুমদি পালি নাইনা মনাক্তা লেপ্তুনা শঙঙি,মখোয়না মরৈবাক্কী লুচিংখিবশিংগী মফমদা উৎলিবা নোল্লুকপা মতৌশিং কয়া অসি তমজনিংঙাই ওই। মখোয়না গার্দ তৌরিবা শক্তম মীতমশিং গী মরমদা মহাক নত্রগা মখোয় মমুৎতানা নীংথিনা খঙই। মিকুপ খুদিংগী মখোয়গী অথৌবশিংবু নীংশিংঙি। মখোয়না অঙাংওইরিঙৈ,স্কুলগী পুন্সিদগী হৌনা মমা লৈবাকপু অমদি মাংজিন থাখিবা অথৌবশিংবু শোয়দনা নীংহনবসি মীতমশিং মনাক্তা লেপ্লগা শঙহনবদগী তম্বা হৌরে ।

অনৌবা মুর্ত্তি, শক্তম অমা শাদুনা খিনবগী ৰাখল থৌরাং ঐখোয়গীদি য়াম্না ৰাৎলি। মীতম খরদি হৌজিক লৈরে। মসিসু থমলম্লগা মখা তাবদি হন্না য়েংবীদে। মমল য়াম্লবা ঐখোয়গী পুৰারীগা মরী লৈননা শারিবা শক্তমশিং-নুপী লালগী, পাউনাগী, ইরাবতকী খরা খকসিফাওবা উফুল চাদুনা, হন্না য়েংদনা হুন্দোক্তুনা থম্বীরি। সোভিয়েটকী নীংতম্বা পুরকপদা থৌদাং লৌখিবা অমদি অতৈ হীরম কয়াগী মশক নাইখিবা মীওইশিংগী শক্তম থমলিবসিগুম ঐখোয়গীসু অনৌবা শাবা য়াবা, মশক নাইবা, লমকোয়রকপশিংগী পুক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইগদবা কয়া লৈরি। মসিদা ঐখোয় ৰাখল তৌনদে। ইম্ফালগী ময়োল মক্তদা,কৈথেলসু ওইবা লম্বীসু ওইবা, মরু ওইবা অহুম-থঙ্গাল বজার, পাউনা বজার, বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোদ হায়না লৈরি। পাউনা কৈথেলসি কদায়দগী হৌরগা কদায়দা লোইবগে, মিটর কয়া শাংই ? থাঙ্গাল কৈথেলসু, বিটি রোদসু কদায়দগী হৌরগা কদায়দা লোইবনো, কয়াম শাংই হায়বা ঐখোয় হংনদে, থিজিনবদা খঙসু খঙদে। পাউনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেলগী অহৌবদা নত্রগা অরোইবদা মিতম শাদুনা থম্বা য়াই। মীরমদদি,মিতম শক্তম শাদুনা, হৌফম লোইফম মফম খঙনবা লম্বীসু, কৈথেলসু, স্কুল কলেজ খুদিংমক্তা খিন্দুনা থমহল্লি । মসিগী ফজবা অমদি কান্নবা লৈ।

সোভিয়েট লৈবাক্কী মিংস্কতগী কিলোমিটর ৫৪ অৰাং-নোংপোক ওইরপ্পা চৎলগা খাটিন খুঙ্গং লৈ। খুঙ্গং অসিদা 'অন কঙ্কর মেন' (Unconquered Man) হায়না খঙনবা নীংশিং মিতম অচৌবা অমা লৈরি। মিটর তরুক ৰাংবা ব্রোঞ্জনা শাবা নীংশিং শক্তম অমদি অচৌবা কাংশিগা লোয়নবা চিমনি ২৬ না তোংঙান-তোংঙানবা মোংফমশিংদা নীংথিনা খিন্দুনা থল্লি। মশীং লাকঙমদ্রবা টুরিষ্টশিংনা নুংতিগী 'বেলস ওফ খাটিনবু' য়েংবা লাকই। পুংজা খুদিংগী মোংফমশিংদগী মথন্তা খীঙলকপা কাংশিগী খোঞ্জেলনা মফমদু নীল্লি। মীকুপ খুদিংগী কি-তুজুংলবা থৌদোকশিং অদু কাংশিশিংগী খোঞ্জেলশিংনা নীংশিংহল্লি । খিন্দুনা থল্লিবা 'অন কঙ্কর মেন' শক্তম অসিনা য়েংবা লাকপশিংদা ৰারী লীরি। "For a world without weapons and wars" চহী কয়া চুপ্পা জর্ম্মনগী নাজিশিংনা বাইলোরুশিয়াশিংবু তমথিনা ওৎ-নৈদুনা লাকখি। মীনুংশি য়াওদনা মখোয়গী খুবামনুংদা বাইলোরুশিয়ানশিং চলহন্দুনা তৌনিংবতা তৌরকখি। নুপী-অঙাং, অশোনবা অহল-লমন, মীচম কয়াবু তমথিনা হাৎতোকপীখি। নীংতম্বা মাঙলবা বাইলোরুশিয়ানশিংনা, নীংতম্বা অমুক হঞ্জিন্নবা মখোয়গী মথক্তা লাল হৌরকখি। তমথিনা ওৎ-নৈখিবগী মথৰায় চাক্লবা মীয়াম্না হৌরক্তুনা, জর্ম্মন ওফিসার অমা হাৎখি। মদুগী লমন খুম্বা ওইনা নাজিশিংনা, মার্চ তাং ২২,১৯৪৩ নুংথিলগী পুং ২তাবা মতমদা খঙহৌদনা কোয়শিল্লকখিবা নাজিশিংনা অপীকপা খুঙ্গং অসিদা লৈজবা য়ূম মশিং ২৬ তূম্না মৈ থাখি হায়। মীচম ১৪৯ অঙাং ৭৫ খুঙ্গং ১৮৬ উৎ ওলহনখি। অনীগা, মশা পুম্নমক চাদা ৩০ গী চাংদা মৈনা চাক্লবা, নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোক্লবা, চহী ৫৬ শুরবা মীয়াই চল্লবা, য়োৎ শূবনা শিনফম ওইজবা Joseph Kaminsky গা মখোয় অহুমতমক হিংহৌখি। লাল লোইরবা মতুং,ইংকুমজা ১৯৬৫দা খাটিন খুঙ্গং অসিদা শিখিবা মীয়াম, Joseph Kaminsky অমদি মচানুপা অনীদা কৎথোকপা ওইনা **"The Unconquered Man"** হায়না মিংথোনবা শক্তম অসিগা চেমনিশিংগা লোয়নবা বেলশিং অসি মোংফমশিংদা নীংশিং খুদম ওইনা শাখি।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু হৌখিবা চহী খরা অসিদা অশাবা মিতম মশীং খরদি হেনগৎলক্লি। খোংজোম লানফমগী ৰারী খোংজোমপৰ্ব্ব শকপনা শীংথাবা নত্তনা খঙনরকখিদে, তানরকখিদে। ঙসিদি নীংথিরবা মীতমশিংনা খোঙজোমগী লানফমদা শাদুনা থম্বীরিবা অসিনা রুশিয়া লৈবাক্তা লৈহৌবা দ বেলস ওফ খাটিনগুম্না ঐখোয়সু তুংগী মীরোলদা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনরকপদা থৰায় থাখিবগী ৰারীদি নীংশিংলগনি। ইরমদম, ঈরৈবাক নুংশিরক্লবগী লম্বী অমদি উহনবা ফংলক্লি। অনৌবা মিতম খর, গম্ভীরসিংনা শগোল শায়াং থক্তা খুৎশু থাং পায়রগা লানচংবগী মওং কাঞ্চিপুরদা লৈবা গম্ভীরসিংগী নীংশিং খুভমদা ঐখোয়না উরি। অতৈ মীতম খরা নুপীলালগা মরী লৈননা শাবা মীতম,ৰাঙ্খেগী লম্বী লমলোংদা অকল-অথৌ শা লানগা মরী লৈননা খিনবা মীতম উরে। হন্দক্তা নৌনা ইম্ফাল কংলাগী নোংচুপ থোং মনাক্তা নরসিংগী মীতম শাগোল শায়াং থক্তা খুৎতা থাংশাং পায়রগা চৎপগী মওংদা ঙরাং নহান মাইখুম হাংদোকপীখ্রে । হৈঙাংগী চীংথক্তা ইবুধৌ মার্জিংগী মশাইকোন্দা শাগোল কাংজৈগা মরী লৈননা মীতম খিন্নবা শেম শাবগী থবক খুন্মাং চাওখৎনা শেম শাবগী পাউসু তারি । অনৌবা মিতম খিনবগী থবক খরা কন্না পায়খৎলকপসি চাউখৎপা লম্বীদা খোং থাংজিল্লকপগী খোঙথাং অমনি হায়না ঐগী লন্নাই মিৎয়েংদা উজে। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি ঙন্না পায়খৎপীরম্লগদি ঐখোয়গী মীয়াম্না অমদি লমকোয়রকপশিংনা মিতমশিং অসি উরগা ঐখোয়গী পুৰারীগী তাঙ্ককশিং নীংশিংবগা লোয়ননা ইরমদম নুংশিবা হেন্না ফাওদুনা থৌনা হেন্না লৈরমগনি।

অতোপ্পা য়াম্না নুংশিবা মীতম অমখক্তি ইম্ফালগী নুপী কৈথেল অহুমগা নক্না লৈরিবা ভাগ্যচন্দ্রনা শামু ফাবগী মীতম অসিনি। মীতম অসিদি কুইরবা অমনি। ইমা ইবেল কৈথেল ফম্বীশিং ফাওবা শামু মখোং হায়রগা খংনরক্লি। মপান্দগী লাকপা মীশিংসু শামু ফাবগী মীতম অসি খঙঙি, মখোয়না শামু মখোংবু হাথিচোক হায়নৈ । মী উন্নফম, ঙাইনফম শামু মখোংনি। শামু মখোংগী ৰারী য়াম্না লৈখ্রে। ভাগ্যচন্দ্রনা শামু ফাবগী মীতম অসি শাখিবা চহী হুম্ফু মঙা হেল্লক্লি । কনানা মীতম অসি শাখিবনো? মসি শাবদা করি করি চঙখি মী অয়াম্বনা খঙনবা ৰাৎলি । য়াম্না কুপথনদি পঞ্জররোই। মীতম অমা শারগা ইম্ফালদা খিন্নবগী মতাংদা ঙল্লিঙৈগী মতমদা লমদমসিগী তাঙলবা খুৎহৈবা অহল লমন খরখক্লা মরী লৈনবা লৈঙাক্তা পুখৎলকখি। সগোলবন্দা লৈবীরম্বা সলাম গম্ভীনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতিদা চিয়ারমেন ওইনা থৌ পুরিঙৈ, হেমদসিং হায়বা অমনা মণিপুরগী কমিস্নর ওইবীরিঙৈ কুমশীং ১৯৫৭তা ভাগ্যচন্দ্রনা শামু ফাবগী মীতম অসি শাবগী অয়াবা পীবীরমখি। মীতম অসি শাবদা লমদম অসিগী অহল লমন খরনা পূন্না শাবা হৌনবা থৌরাং তৌই হায়বগী ৰারীশিং অথেঙবদা অখঙ অহৈদগী ফংজরে। মসিসু অফবা অমনি । খঙবদা কান্নবা অদুগা অহল লমনশিং অদুনা হোৎনজখিবা অদুবুসু ঐখোয়না ইকায় খুম্নবা উৎফম থোকই । ঐনা হকথেংননা ৰারী লৌজ হৌবদি মৈস্নাম বেতোম্বী কৌবা শীংজমৈ চীংঙা মখাদগী অহল ইবুংঙো অমখক্লা মপুং ওইনা শাখিবগী ৰারী ফংজহৌবা অসিনি। অহল অসিগা হকথেংননা উন্নদুনা ৰারী লৌজহৌখিবা লৈ । হৌজিক শেমজিন শাজিনবা চৎথবগী মশক অমসু উবা ফংলি।

লাকচনিংবা ৰাফমদি ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈপাক্কী মরুওইবা থৌদোক ৰাথোক কয়া লৈখ্রে। নাৎকা মরী লৈনবা কয়াদা য়েংলুরগসু জগোয় ঈশৈ, শুম্মাং লীলা, খোংজোম পৰ্ব্ব, পেনা ঈশৈ, পুংচোলোম, ইমা মাইবী শক্তম, কৈথেল কাবী লুকমাই পানবী ইমা, নম্বো পোরগা খুৎতা চৈশু শুদুনা কৈথেল কারীবী মৈতৈ নুপী, চীংমী ছম পুরগা পামদা চৎপা ইচে, ইপা ইতোনগী শক্তম মখল কয়াদা ঐখোয়গী মীতম শাদুনা থম্বীবা মতম ওইরে । মীতম শাদুনা খিনবনা হৌরক্লিবা মীরোলদা ঐখোয়গী শক্তম অমা উহন্দুনা লমদম অসিবু নুংশিবগা লোয়ননা কান্নবা কয়া পীবা ঙমগনি। হন্দক্কী লৈঙাক অসিনা মীতম কয়া শাবীরক্তুনা মণিপুরবু মশক ফজহনবতা নত্তনা লৌখৎপীরক্লিবা অসিমদি অসুক্কী মতীক থাগৎচনিংঙি। মীতম অমা উবনা চেনা মশীং য়ামনা পানবা লাইরিক অমা পাবদগী হেন্না খঙবা ঙমহল্লি হায়বসি ঐখোয় খঙমিন্নরসি । হায়জনিংবা অমত্তংদি- মীতম অমা খিনবা হায়বসি মীয়াম্না উনবনি। মচি মরুমদা খিনবা, য়েংফম চাদবদা খিনবনা খিল্লিবা মিতম অদুগী ৰাহন্থোক লৈহন্দে । মতুং তারকপদদি মিৎমাংদা থাপ্লিঙৈদা উবা য়াবা মফমদা মিতম লৈহন্নবা হোৎনবীরগদি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবা হায়বদু ওইগনি। ●

*–মাখোনমনি মোংসাবা*

# মালা, জিরিবামগী খোঙচৎ




মণিপুরী লিটরেরি এসোসিএসন (মালা), জিরিবামগী অনীশুবা ফাউন্দেসন দে অমদি এৱার্দ লান্থোকপগী থৌরম থা অসিগী ১২, নোংমাইজিং নুমিৎতা জে এম সীগী মল্টি য়ুটিলিটি কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। 'মালা' য়াম্না নৌরিবা এসোসিএসননি, য়াম্না নৌরিবা চৎপা খরা খরা কাফৈ-কাফৈদমক ঙল্লক্লিবা মতমনি হায়বা য়াই অদুবু পায়খৎলক্লিবা থবক্তি মপূং মরৈ ফারবা অমগুম্বনি। ঐসু মসি য়াওননবা তাঞ্জা অমা ফংজদুনা য়াওবা চৎচরুই। অইবগী লম্‌সিদা খোঙথাংজিনবদগী ৰাখল লায়নাগদি নাগনি হায়বা থাজদ্রে, ইচা ইমৌনফাও সাহিত্যগী প্রোগ্রাম লৈত্রবরা চৎলু হায়গৎলক্লে, লোয়ননা চৎপা ঙমদবদা ঙাইশিল্লক্লে।

প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিএসন, মণিপুরগী বেন্নর মখাদা 'করি হায়রি, করি তল্লি' ইপিসোদ অমা জুন ৩০, ২০২১, য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী হৌজিক ফাওবা য়ূমশকৈশা খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লক্লি, লম-লম খুদিংগী অইবা অইবীশিং শরুক য়াবিরি। মসিদগী খঙনজবগী খুদোংচাবসিনা মরম ওইরগা ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২২২ লাপ্না লৈরিবা মণিপুরগী অরোইবা ঙমখৈসু ওইরিবা জিরিবামদা ময়াম্বু উন্নজনীংবদগী খুদোংচাবা অমা ফংবদু লৌজরগা নীনি/হুমনি লৈবগী নুংঙাইবদু ফংজখি। ঐখোয় ইম্ফালদগী মীওই ৫ চৎচবনি, নুপা অহুম নুপী অনী, কোংখাম রাথো, অরিবম অজিৎ শৰ্ম্মা, ৰাইখোম অমুচৌ, সোরাইশম অনেশ্বরী অমসুং ৰারেংসি ইজরিবা ঐ ইশা সোবিতা সৌবামনি। মালা, জিরিগী অনীরকশুবা ওইনা শৈরেং চাংদম্নবা অসি থা ৬নি, জুলাই ২০২১দগী হৌরগা দিসেম্বর ২০২১ ফাওবনি। থা ৫ অমনা থিম অমমম পীরগা ইবনি, থা ১ না ফ্রি ষ্টাইলনি, থা ৬ সিগী ৰিন্নর ৬ অমা, ৰিন্নর ৬ সিদনা থিম অমা পীরগা ইবা শৈরেং অমা, অদুদগী অহেনবা অদুবুনা 'পোইট ওফ দি মালা' হায়না মিংথোনলি, অদুগা থা ৬ অদুগীনা 'পোইট ওফ দি মন্থ' হায়না মিংথোল্লি। 'পুদিনলোই' হায়বা মনা অমসু ওজা বিরেন খুমনপুনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপুবোক্কী মিংদা কৎপগা লোয়ননা মসিমসু থৌরম পাঙথোকপা খুদিংগী পীগনি হায়না মহাক্লা লাউথোকখ্রে।

কুমজা ২০২১ জুলাই থাগী থিম্না 'অকোইবগী শক্তম মাঙথরকপা অমসুং কন্ননবা উপাই'' হায়বসিদা মনিয়াই এম এম সী, খুম্বোংনা তাখ্রে, শৈরেং মমিং 'ইমাদি ৰারেদা'। অনীশুবা থাগী ওগষ্টকী 'পোইট ওফ দি মন্থ' না 'ইমালোন নুংশিবা অমসুং শৈথাবা' হায়বা থিমসিদা তেজমনি কৈশাম, গুৱাহাটিগী 'ইচেলদুদা তিঞ্জনবা' হায়বসিনা তাখ্রে। অহুমশুবা সেপ্টেম্বর থাগী 'পোইট ওফ দি মন্থ' না সৌবাম সোবিতা, ক্বাকৈথেল ইম্ফাল ঐ ইশাগী 'অহোবা অমখক' হায়বা শৈরেং 'ওজাগী লৈফম থোকপা গুন ছাত্র ছাত্রিশিংদা য়েংগদবা মিৎয়েং' হায়বা থিমসিদা ইবা শৈরেংসিনা তারে। মরিশুবা ওক্টোবর থাগী 'পোইট ওফ দি মন্থ' কী থিম 'অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা মেরা থা' হায়বা থিমসিগী শৈরেং 'কেল্লুরবা লিক্লু' হায়বা মোইরাংথেম সৈত্যবতী জিরিবাম্না ইবসিনা তারে। মঙাশুবদা নবেম্বর থাগী থিম ফ্রী ষ্টাইলদা 'পোইট ওফ দি মন্থ' না পোড়া লাইরিকয়েংবম ইম্ফালগী 'তন্বীরম্মু ঐগীসু' হায়বা শৈরেংসিনা তারে অমদি তরুকশুবা দিসেম্বর থাগী 'পোইট ওফ দি মন্থ' না 'কবিশিংদা শৈথাবা' হায়বা থিমসিগী 'নতিক নগুনশিং শৈথাজরি' হায়বা সোরাইসম অনেশ্বরী অৰাং খুনৌনা তারে। 'পোইট ওফ দি মালা' না থিম 'অহলশিংবু নুংশিজবা শৈথাবা' হায়বসিগী শৈরেং 'লনলৈমা' হায়বসিদা মোইরাংথেম সৈত্যবতী জিরিবাম্না তারে। 'পুদিনলোই' হায়বা মনাসিনা কাব্রবম তোম্বীতো জিরিবাম্না লৌখ্রে, পূন্না মনা ৮নি। অসুম তৌনা মালা জিরিবামগী থৌমীশিংনা অচৌবা থৌদাংশিংসি পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। থৌরমসিদা মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি, ইন্দিয়াগী এক্স প্রসিদেন্ট ইঙুদম বিনোদ, মালাগী চ্যেরমেন এফ অহন্মদ অমদি প্রধান এল সমরেন্দ্রনা অহানবা অয়ূক্কী সেসন্দা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ইম্ফালদগী কোংখাম রাথো, অরিবম অজিৎ শৰ্ম্মা, ৰাইখোম অমুচৌ অমসুং অব্দুল হামিদ কছারসু দেজদা ফমখি। কম্পিটিসন অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অথোই অহেন লেপ্পবগীদমক জ্যুরি ৪/৫ এনগেজ তৌবা মাল্লি। অনীশুবা সেসন্দা ওজা কোংখাম রাথোনা মোদরেটর ওইনা শৈরেং শৈদিন্নবা ফম্বীগদবনি অদুবু অচিনবা অমদগী চৎখিবদগী ঐহাক্লা ওজাগী মায় ঙাকচদুনা মোদরেটর ওইনা ফম্বগী খুদোংচাবা ফংজখি, লোয়ননা পূন্না অইবা-অইবী ১৭না শৈরেং পাথোকখি। মালা জিরিবামগী মরু ওইবা থৌপুবা বিরেন খুমনপুনা 'পোইট ওফ দি মন্থ' অমদি 'পোইট ওফ দি মালা' মথংদগী চহী ৩/৩ কান্নরগা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ইম্ফালদগী চৎখ্রিবা ঐখোয়বু লৈফম চাফম শিনবীদুনা নুংঙাইনা লৈহনবীরকখিবা, ইকায়খুম্নবা উৎপীরকখিবা ঈগী মরীগী নুংশিবা মিৎয়েং য়েংবীরকখিবা, অইবী অমনি খনবীদুনা ইকায়খুম্নবীরকখিবা অসুক্কী মতিক নুংঙাইজৈ, পেঞ্জৈ, পুন্সিগী নুংঙাইখিবা মীকুপশিংগী মনুংদা মসিমসু চনশিঞ্জরে। 'মালা' জিরিবাম তৌরু তৌরুবদা মায় পাকপা ওইহনবীসনু হায়না মপুগী মফমদা থৌনিজরি অমদি ঐহাক্কী মায়কৈদগী হন্না হন্না থৌমী পূম্নমকপু থাগৎচরি।

মথং নুমিৎ তাং ১৩-০৬-২০২২, নিংথৌকাবা নুমিৎসিদা অমুক ওজা থোকচোম সরত, জয়শঙ্কর হৈস্নাম, মলয়া মোইরাংথেম অমদি ঙাথেম হেমাবতি চনুগা লোয়ননা লম খরা অমুক য়েংবা পুবিদুনা নুংঙাইবগী মথক্তা নুংঙাইবা হায়বদু ওইখি। জিরিদা চৎলগা 'নীংশিংখুন' চঙলক্তে হায়নখিগদ্রা হায়বদুগী নুংনাংবদুমা কোকচরে। ওন্থোক্লা নুংশিখ্রে নাউরিয়া ফুলোগী মিতম্না নুংশিনা তরাম তরাম মনাক্তা কৌশিনবীরকই, অথৌবা বীর টিকেন্দ্রজিৎকী মিতম, থাঙ্গাল জেনরেলগী মিতম অমদি পাওনা ব্রজবাসিগী মিতম্না জিরি ইমাগী মথানুংদা নীংশিংখুনবু ঙাকহৌরি। অদুদগী কছার লমদম লানশিন্দুনা জিরিঘাটকী চা-মনা বগান অমসুং শিনগরবন্দ মুতুম লৈকায়দা ওজা থোকচোম বিশ্বনাথ অমদি এন কে থোকচোমগী মরানয়াই য়ৌশিল্লমদুনা উন্নজরকপগা লোয়ননা নুংঙাইবা, মহয় য়ানবা খোঙচৎ অমসু ওইজরক্তুনা ইয়ুম মায়কৈ নোং ঙানবগা পাংজরক্লে। জিরি লমদমগী নুংশিরবা ইচিন ইপ্পা, ইচিন ইনাওশিংগী নুংশিবা মিয়োক মিচান পুন্সিগী কাউজরোই। ●

**– সোবিতা সৌবাম**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৰাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৰাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।